# ৫শুবা এলিট ৱিমেন নেসনল চেম্পিয়নশিপতা মণিপুরগী বোক্সর ৬ ক্কার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে

হিসার, ওক্টোবর ২৪ (এজেন্সী):

মণিপুরগী বোক্সর সামিম বানু খুল্লাকফম, মেনাকা নিংথৌজম, সনামচা থোকচোম, অশালাতা হুইনিংশুম্বম, বেবি রোজিসনা নাওরেম অমসুং এলিনা থৌনাওজম ক্কার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

ঙসি পাঙথোকখিবা প্রি ক্কার্টর ফাইনেলগী কিলোগ্রাম ৭৫ (মিদল ৱেথ)গী কাঙলূপ্তা মণিপুরগী বোক্সর থোকচোম সনামচানা রাজস্থানগী বোক্সর চিরাঙ্গি চৌহানগা লম্বা তৌনরকপদা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌশিল্লকপদা সনামচানা হেঞ্জিল্লকপদগী রেফরিনা বাউট অদুবু লেপহল্লগা আর এস সীদা সনামচা মায় পাক্লুনা ক্কার্টর ফাইনেলদা হয়েং হিমাচল প্রদেশকী বোক্সর এরিতা সেখরগা লম্বা তৌনরগনি।

মণিপুরগী অতোপ্পা বোক্সর মেনাকা নিংথৌজমনা ঙসি কিলোগ্রাম ৬৩ (লাইট ৱেল্টর ৱেথ)কী কাঙলূপ্তা গুজরাতকী বোক্সর জানভি শাহগা লম্বা তৌনবদা কা-হেন্না ফজবা হেনখিবদগী গুজরাতকী বোক্সর অদুবু অহানবা রাউন্দ অদুমক্তদা রেফরিনা শোকপা হেঞ্জিল্লক্তনবা বাউট অদু লেপহন্দুনা মেনাকা ক্কার্টর ফাইনেল য়ৌরকপনি। হয়েং মেনাকানা হায়রিবা ৱেথ কেটেগোরি অদুদা আর এস পি বি (রেলৱে স্পোর্টস প্রমোসন বোর্দ)কী বোক্সর মোনিকাগা সেমীফাইনেল য়ৌনবগীদমক্তা লম্বা তৌনরগনি।

কিলোগ্রাম ৪৮ (মিনিমম ৱেথ) কেটেগোরিদা মণিপুরগী বোক্সর অশালাতা হুইনিংশুম্বমনা উত্তর প্রদেশকী বোক্সর শিলপা য়াদবকা লম্বা তৌনবদা রাউন্দ অহুম্মক থিন্নরবসু পোইন্ট স্কোর তৌবা মশীং য়েংনরুবদা অশালাতানা হেনখিবদগী বাউট অদুগী লৈখিবা জজ মঙামক্না মঙোন্দা পোইন্ট হেন্না পীদুনা ৫-০দা মায় পাক্লগা ক্কার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি। মহাক্না হয়েং কেটেগোরি অদুমক্কী ক্কার্টর ফাইনেলদা দেল্লীগী বোক্সর লক্সমীগা লম্বা তৌনগদৌরি।

কিলোগ্রাম ৬৬ (ৱেল্টর ৱেথ)কী কেটেগোরিদা মণিপুরগী বোক্সর এলিনা থৌনাওজমনা ঝরখন্দগী বোক্সর নিশা কুমারীগা লম্বা তৌনগদবা অদু নিশা কুমারী রিপোর্ট তৌরকখিদবদগী এলিনানা ৱাকওভর ফংলগা ক্কার্টর ফাইনেল য়ৌখি। মহাক্না হয়েং সেমীফাইনেল য়ৌনবগীদমক্তা আর এস পি বিগী বোক্সর জ্যোটিগা লম্বা তৌনগদৌরি।

ঙসি পাঙথোকখিবা কিলোগ্রাম ৮১ মথক্কী (হেভি ৱেথ) বাউটতা মণিপুরগী বোক্সর লোইদাং মোইরাংথেম হরয়ানাগী বোক্সর নেহাগা লম্বা তৌনবদা অহানবা রাউন্দদা রেফরি ষ্টোপ কন্টেষ্টতা মায়থীহৌখি।

মণিপুরদগী হৌখিবা ওল ইন্দিয়া পুলিসতগী ৫রকশুবা এলিট ৱিমেন নেসনল বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ অসিদা হেমাম চাওবা মায়থীহৌখি। হয়েং মণিপুরগী বোক্সর ৬না সেমীফাইনেল য়ৌননবা লম্বা তৌনগদৌরিবনি।

# চহী ২৩ মখাগী এ এফ সী এসিয়ন কপ ক্কালিফায়িংগী অহানবা গ্রুপ মেটচতা ইন্দিয়ানা ওমান ২-১দা থোইখ্রে

AFC U23
ASIAN CUP
QUALIFIERS

ফুজাইরা, ওক্টোবর ২৪ (এজেন্সী):

কুমজা ২০২২গী জুন ১দগী ১৯ ফাওবা উজবেকিষ্টাননা য়ূম্বু ওইরগা পাঙথোক্কদৌরিবা চহী ২৩ মখাগী এসিয়ন কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অদুদা শরুক য়ানবগীদমক এসিয়াগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা পাঙথাক্লিবা ক্কালিফিকেসন টুর্নামেন্টকী মনুং চন্না ঙসি য়ু এ ঈনা য়ূম্বু ওইরগা লৈবাক মঙাগী ওইবা গ্রুপ ঈগী অনীশুবা মেটচতা ইন্দিয়ানা ওমানবু পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীদুনা পোইন্ট ৩ ফংবা ঙমখ্রে।

মেটচ অসিগী মাংওইননা প্রিভিয়ু তৌনবদা ইন্দিয়াগী টিম অসি ওমাননা লাকচনা শান্নগনি হায়না ফোঙদোক্লখি। লোয়ননা ইন্দিয়াগী কোচ ওইরিবা ক্রোএসিয়া মচা আইগোর ষ্টিমেকনা ফাওবা মেটচ অদু ইন্দিয়ানা থোইগনি হায়বা থাজবা ঙমখিদে হায়খ্রবনি।

ঙসি য়ু এ ঈগী ফুজাইরা সিটিদা লৈবা ফুটবোল ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেটচ অদু হৌরকপদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী ঙন্না বোল ফংবা ঙমদুনা ওমানগী মায়কৈদা এটেক চংখি। মখোয়না ওমানগী পেনাল্টি এরিয়া মনুংদা পুশিল্লকপা বোল অমা দিফেন্দর অমদি গোলকিপরনা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় অদুবু তুহল্লুবগীদমক মেটচ অদুকন্দক্ত তৌখিবা রেফরিনা পেনাল্টি অমা ইন্দিয়াদা পীখি। খূদোংচাবা অদু ইন্দিয়াগী ষ্ট্রাইকর রহিম অলিনা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা ওমানবু ১-০দা ঙন্না হেন্দুনা লৈখি। বোল পায়বগী চাং ওমাননা হেঞ্জরবসু ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিং অদুনা ঙন্না পাঞ্জল চনখিবদগী ওমানগী মায়কৈদা পাঞ্জল হন্দোক্লিংবগী অকনবা ৱাখল্লোনগা লোয়ননা শান্নবা হৌখি।

ইন্দিয়াগী গোলকিপর মোইরাংথেম ধীরজনা ওমানগী এটেকশিং অদুবু কয়ারক হন্না অরেম্বা তাহনখি। কেপ্টেন ওইরিবা ৱাংজম সুরেশনা মিদফিল্ড অমদি দিফেন্স লাইন অদুবু নীংথিনা কন্ট্রোল তৌখিবদগী পুংখায় ফাজিল্লক্লবা ফাওবদা ওমান পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমখিদে।

শান্নবগী ৩৭শুবা মিনটতা ইন্দিয়ানা ফংখিবা কাউন্টর এটেক অমদা বিক্রম প্রতাপনা ফংখিবা বোল অদু ওমানগী গোলকিপর লান্থোক্লগা ফজবা পাঞ্জল অমা চন্দুনা অহানবা হাফ লোইশিল্লকপদা ইন্দিয়ানা ওমানবু পাঞ্জল ২-০দ মাঙজিল থাখি। অনীশুবা হাফতা কিয়াম অমর্জিৎ শান্নবা চঙলকখি। মিদফিল্ডগী শান্নরোয়শিং অদুনা ওমানগী এটেকশিং অদু নীংথিনা ঙাকথোকপা ঙমদুনা লৈখি। শান্নবগী ৮৯শুবা মিনটতা ওমানগী মায়কৈদগী পাঞ্জল ১ হন্দোক্লগা ইন্দিয়ানা ২-১দা থোইবা ঙমদুনা টেবল লুচিংলি।

# ষ্টেট লেভেল সেপাক টাক্রো চেম্পিয়নশিপ হৌরগনি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৪ (ঐচ এন এস): ওল মণিপুর সেপাক টাক্রো এসোসিএসনগী মীৎয়েং মখাদা ইবুধৌ মার্জিং হনজিং লৈকাই ইনফোর্মেসন কলচরেল এন্দ সোসল ৱেলফেয়র লাইব্রেরি য়ুনাইটেদ ক্লব হৈঙাং মখা লৈকাইনা শীন্দুনা ২০শুবা মিনি, ২২শুবা সব-জুনিয়র, ২২শুবা জুনিয়র বোইজ এন্দ গর্লস অমসুং ৩৫শুবা সিনিয়র মেন্স এন্দ ৱিমেন্স ষ্টেট লেভেল সেপাক টাক্রো চেম্পিয়নশিপ নবেম্বর ১০দগী ১৪ ফাওবা পাঙথোক্লগনি হায়না এসোসিএসন অসিগী সেক্রেটরিগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

এসোসিএসন অসিগী অতোপ্পা চেরোল অমদা দিষ্ট্রিক্ট/ক্লবশিংগী মায়কৈদগী এফিলিএসন তৌবা, এফিলিএসনগী রিন্যুএল তৌবা, শান্নরোয়শিংগী রেজিষ্ট্রেসন, ট্রান্সফর অমদি রিন্যুএলগী মতমসু নবেম্বর ১দগী ৩ ফাওবা এসোসিএসন অসিগী খুমন লম্পাক্তা লৈবা ওফিসতা নুংথিল পুং ২দগী ৪ ফাওবা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

# ট্রায়ল কম সেলেক্সন পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৪ (ঐচ এন এস): থা অসিগী ৩১দা পেনকাক সিলাট এসোসিএসন ওফ মণিপুরনা শীন্দুনা চহী অসিগী দিসেম্বর থাদা হরয়ানানা য়ূম্বু ওইরগা পাঙথোক্কদৌরিবা নেসনল পেনকাক সিলাট চেম্পিয়নশিপতা শরুক য়ারুনবা মণিপুরগী জুনিয়র, সব-জুনিয়র অমসুং প্রি-টিনগী ওইবা ট্রায়ল কম সেলেক্সন অমা সেক্তাদা পাঙথোক্লগনি হায়রি। নুমীৎ অদুদা দিষ্ট্রিক্ট এসোসিএসনশিংনা অয়ূক্কী পুং ৮দা পেনকাক সিলাট স্পোর্টস একাদেমিদা রিপোর্ট তৌরগদবনি হায়রি। লোয়ননা মহারাষ্ট্রগী সিনিয়র নেসনলগীসু সেলেক্সন পাঙথোক্কদৌরি।

# ইন্দিয়ানা অহানবা টি-২০ ৱর্ল্ড কপকী মেটচ শান্নবদা য়াম্না শোত্থবা মওংদা পাকিষ্টানগী মখুত্তা ৱিকেট ১০দা মায়থীবা নংখ্রে

ICC
MEN'S T20
WORLD CUP
2021

দুবাই, ওক্টোবর ২৪ (এজেন্সী):

ঙসি য়ু এ ঈগী সিটি দুবাইদা লৈবা ইন্টর্নেসনল ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা ইন্দিয়ানা টি-২০ ৱর্ল্ড কপকী অহানবা মেটচ শান্নবদা য়াম্না কুইনদগী লম্বা ওইদুনা লাক্লবা পাকিষ্টানগী মখুত্তা য়াম্না শোত্থবা মওংদা ৱিকেট ১০দা মায়থীবা নংখ্রে।

ইন্দিয়া অমসুং পাকিষ্টানগী ওইবা ক্রিকেট ৱর্ল্ড কপ পুৱারীদা পাকিষ্টাননা ইন্দিয়াবু অমুক্তা থোইবা ঙম্লকত্রিবনি। অদুবু ঙসি মখোয়না ইন্দিয়াবু ৱিকেট ১০দা মায়থীবা পীদুনা অনৌবা রেকোর্দ অমা থন্বা হৌখি।

ঙসিগী মেটচ অদুগী টোস পাকিষ্টাননা ঙমদুনা বোলিং হান্না তৌখি। মদুদা মখোয়গী বোলরশিংনা য়াম্না ফজবা বোলিং তৌদুনা ইন্দিয়াগী বেটসমেনশিংবু রন লৌবদা অৱাবা কয়া পীবা ঙমখি। ইন্দিয়াগী ওপনর রোহিট শর্ম্মা ইন্নিংসকী অহৌবা ওভরগী মরীশুবা বোলদা রন অমত্তা লৌবা ঙমদনা আউট ওইখি।

অহুমশুবা ওভরদা রোহিটপু আউট তাহনখিবা সাহিন আফ্রিদিনা শুপ্নগী রন ৩দা আউট তাহন্দুনা ইন্দিয়াগী স্কোরবোর্দতা রন ৬খক লৈরিবঙৈদা বেটচমেন অনী আউট ওইখিবনি।

কেপ্টেন ভিরাট কোহলিনা ইন্নিংস অদু সূর্য্যকুমার য়াদবকা লোয়ননা শেমগৎনবা হোৎনরকখি। অদুবু অপুনবা রন ৩১ শুরকপদা য়াদব রন ১১ লৌরম্লগা আউট ওইখি। রিশব পন্টনা মহাক্কী মহুৎ শিন্দুনা শান্নরকপদা ইন্দিয়াগী অপুনবা স্কোর অদু ৮৪ য়ৌহনবা ঙমখি।

পন্ট বোল ৩০দা সিক্স ২ অমসুং ফোর ২ য়ৈরগা পুন্না রন ৩৯ লৌরম্লগা আউট ওইখি। ইন্দিয়াগী মখাতারকপা বেটচমেনশিং ফজবা ঙমখিদে। কেপ্টেন ভিরাট কোহলিনা ওভর ১৯ ফাওবা শান্নবা ঙমদুনা বোল ৪৯দা সিক্স অমগা ফোর ৫ য়ৈরম্লগা রন ৫৭তা আউট ওইদুনা ইন্দিয়াগী অপুনবা স্কোর অদু ওভর ২০ লোয়শিল্লকপদা ৱিকেট ৭ আউট ওইরগা রন ১৫১দা ইন্নিংস লোয়শিনখি।

পাকিষ্টাননা মেটচ অদু মায়পাক্নবা রন ১৫২ অদু মখোয়না ৱিকেট অমত্তা আউট ওইদনা ওভর ১৮গী ৫শুবা বোলদা লৌবা ঙমদুনা ইন্দিয়াবু মখোয়না ৱিকেট ১০দা থোইবা ঙমখি। টিম অদুগী ওপনর মহম্মদ রিজৱান অমসুং বাবর আজমনা আউট মথংশিংনা রন ৭৯ অমসুং ৬৮ লৌরনখি।

# ষ্টেট কিক্ বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৪ (ঐচ এন এস):

কিক্ বোক্সিং এসোসিএসন ওফ মণিপুরনা শীন্দুনা ঙসিদগী ২৪রক শুবা ষ্টেট কিক্ বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ হৌদোকখ্রে।

য়াইস্কুল মোইরাংখোমদা লৈবা সামাশখি হায় স্কুলদা ঙসিদগী হৌদোকখিবা চেম্পিয়নশিপ অদুদা পূন্না নুপা শান্নরোয় ২৩০ অমসুং নুপী শান্নরোয় ৪০ পূন্না শান্নরোয় ২৭০না লম্বা তৌনরি। ঙসি হৌদোকপগী থৌরমদা মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসনগী মেম্বর ওইরম্বা লেফটনেন্ট কর্নেল আর কে রাজেন্দ্র (রিটায়র্দ)না চীফ গেষ্ট, কিক্ বোক্সিং এসোসিএসন মণিপুরগী প্রসিদেন্ট এম কে প্রেসো শিমরেনা থৌরমগী প্রসিদেন্ট ওইরগা য়াসকী কম্মিস্নর অমসুং সেক্রেটরি টু গভর্ণরসু ওইরিবা বোবি ৱাইখোম, পি দব্লিয়ু দিগী চীফ এঞ্জিনীয়র (বিল্ডিং) এন নোরেন অমসুং কিক্ বোক্সিং এসোসিএসন ওফ মণিপুরগী ৱর্কিং প্রসিদেন্ট এল উমাকান্তনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইখি।

# পেরালিম্পিক কম্মিটি ওফ মণিপুরনা শেম শাখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৪ (ঐচ এন এস): পেরালিম্পিক কম্মিটি ওফ মণিপুরনা চৎলিবা চহী অসিগী নবেম্বর ২৮দগী দিসেম্বর ৩ ফাওবা 'ইন্টরনেসনল দেজ ফোর পর্সন্স ৱিথ দিসএবিলিটিজ' তোঙান-তোঙানবা ষ্টেট অসিগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা ওবজর্ভ তৌননবা শেম শারে হায়না ফোঙদোরক্লি।

ওবজর্ভেসন অদুদা এথলেটিক্স, আর্চরি, বেদমিন্টন, ফুটবোল, বাস্কেটবোল, পাৱরলিফটিং, শুটিং, ভোলিবোল, টাইক্বোন্দো, টেবল টেন্নিস অমসুং হ্বিল চ্যের ফেন্সিংদা কম্পিটিসন পাঙথোক্কদৌরি। দিসেম্বর ৩দা এগজিবিসন মেটচ অমা পাঙথোক্লগা মনা য়েনগনি হায়রি।

# এম এল এস এনা জুদোকা লিন্থোই, রেবিনা, রোশনি অমসুং অতোপ্পা কয়া ওকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৪ (ঐচ এন এস):

থা অসিগী ১৮ অমসুং ১৯দা সাই স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখিবা ২৩শুবা ষ্টেট লেভেল জুদো চেম্পিয়নশিপ ২০২১দা সব-জুনিয়র অমসুং কেদেটকী নুপীমচা অমসুং নুপামচাগী অপূনবা টিম চেম্পিয়ন তাবা ঙমখ্রবা এম এল এস এ (ময়াই লম্বী স্পোর্টস একাদেমি)গী জুদোকাশিং ওকপগা লোয়ননা ওক্টোবর ৬তগী ১০ ফাওবা ইটালিগী সিটি ওলভিয়াদা পাঙথোকখিবা জুনিয়র ৱর্ল্ড ২০২১দা ইন্দিয়াগী টিমদা শরুক য়াখিবী মণিপুর মচা জুদোকা সী ঐচ লিন্থোই, সী ঐচ রেবিনা অমসুং এল রোশনীবুসু ঙসি তরাম্না ওকপগী থৌরম অমা য়াওখি।

এম এল এস এনা শীন্দুনা একাদেমি অসিগী ইন্দোর হোলদা শান্নরোয়শিং অদুবু অচন্বা খূদোলপোৎশিং খূৎশিন্নবগা লোয়ননা পূক্নিং থৌগৎলগা হরাউ তয়াম্না ওকখ্রে। হান্না মিনিষ্টর ওইরম্বা অদুগা হৌজিক্লা মণিপুর জুদো এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট ওইরিবা ডা. কে ঐচ রতনকুমারনা ঙসিগী থৌরম অদুগী চীফ গেষ্ট ওইখি। লোয়ননা মণিপুর জুদো এসোসিএসনগী ৱর্কিং প্রসিদেন্ট ওইরিবা বিজয় কোইজমনা থৌরম অদুগী প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি।

ময়াই লম্বী স্পোর্টস একাদেমি অসিগী মায়কৈদগী মমাংদা শান্নরোয় কয়ানা অফবা রিজল্ট পুরকপা ঙমখ্রবনি। তুংদসু নেসনল অমদি ইন্টরনেসনলগী থাক্তা অমদি ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপ অমসুং ওলিম্পিক গেমসকী থাক ফাওবা শান্নরোয় পুথোরকপা একাদেমি অমা ওইবা ঙম্বা অসি নুংঙাইবা, হরাউবা অমদি চাউথোকচৈহয়না চীফ গেষ্টনা মহাক্কী ৱারোলদা থমখি। শান্নরোয়শিংগী মমা-মপাশিংনসু থৌগৎপীবা অসি য়াম্না হরাউই হায়খি।

থৌরমগী প্রসিদেন্ট বিজয় কোইজমনা ফোঙদোকখিবদা, ইন্দিয়াগী অচৌবা ষ্টেট য়ুপিগুম্বগী দিষ্ট্রিক্ট অমগা চাওবা মান্নরিবা মণিপুর ষ্টেটনা লৈবাক অসিগী ওইনা শান্নবগী লম্দা থাক ৱাংনা লৈরিবা অসি হোৎনবা কনবননি হায়খি।

# দিনেশ অমসুং সুরবালা গামা ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপ শরুক য়াগদৌরি

বেঙ্গলুরু, ওক্টোবর ২৪ (এজেন্সী):

জর্মনিদা পাঙথোক্কদৌরিবা গামা ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপতা ইন্দিয়াগী কে ও আই কোম্বেট একাদেমিগী টিম মেম্বরশিং শরুক য়াননবা ইনভাইট তৌরকপদগী একাদেমি অসিদা লৈরিবা মণিপুর মচা নাওরেম দিনেশ অমসুং লাইশ্রম সুরবালাসু মিক্স মার্সিএল আর্টসকী ওলিম্পিককুম্বা চেম্পিয়নশিপ অসিদা শরুক য়াগদৌরিবনি।

একাদেমি অসি ভিশাল সৈগলনা থৱায় য়াওবা এম এম এ এথলিটশিং শেমগৎতুনা লাক্লি। মহাক্লা ফোঙদোকখিবদা, চহী অসিগী ওগষ্ট থাদা কির্গিষ্টানদা পাঙথোকখিবা এসিয়ন এম এম এ চেম্পিয়নশিপতা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী চাওনা মায় পাকপা ঙমখিবনি। মদুগী মতুং দিসেম্বর থাদা জর্মনিদা পাঙথোক্কদৌরিবা গামা ৱর্ল্ড এম এম এ চেম্পিয়নশিপ অসিনা ইন্দিয়াগী টেলেন্টশিং অদু উথোকপা ঙম্বগী খূদোংচাবা ফংলে হায়খি। দিনেশ অমসুং সুরবালা খক্তা নৎতনা কিশোর, হাবিস, অজিৎ অমসুং রুপ জ্যোটিসু য়াওগদৌরি।

# মণিপুরগী বোদি বিল্ডরশিং তরাম্না ওকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৪ (ঐচ এন এস):

ওল মণিপুর বোদি বিল্ডর্স এসোসিএসন (এ এম বি বি এ)না ঙসি খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সকী মণিপুর ওলিম্পিক এসোসিএসনগী কনফরেন্স হোলদা কুমজা ২০২০ অমসুং ২০২১দা নেসনল অমদি ইন্টরনেসনল বোদি বিল্ডিং চেম্পিয়নশিপতা শরুক য়ারুবা মণিপুরগী বোদি বিল্ডিং টিমগী মেম্বরশিংবু তরাম্না ওকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা কৈরাও এ সীগী এম এল এ দেপ্যুটি ষ্টেট প্লান্নিং বোর্দকী থৌ পুরিবা এল রামেশ্বর মৈতৈনা চীফ গেষ্ট ওইখি। অম্বাগী ভাইস প্রসিদেন্ট ও অজিৎনা থৌরমগী প্রসিদেন্ট লোয়ননা ইম্ফাল ৱেষ্টকী সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস ডা. এস ইবোমচা, য়ুঠ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টসকী দিরেক্টর টি ফুলেন অমসুং মিষ্টর ৱর্ল্ড টাইটল ৮লক ফংবা ঙমখ্রবা বোদি বিল্ডর অরাম্বম বোবিনা গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইখি।

ওকপগী থৌরম অদুদা থা অসিগী ১দগী ৭ ফাওবা উজবেকিষ্টানগী কোনুং টাস্কেন্টতা পাঙথোকখিবা ১২রকশুবা মিষ্টর ৱর্ল্ড ২০২১দা নুপীগী ওপন কেটেগোরিদা অনীশুবা পোজিসন তাখিবী সী ঐচ করিস্মা লোয়ননা চেম্পিয়নশিপ অদুমক্তদা জুনিয়র ওপনগীদা মরিশুবা পোজিসন তাখিবা টি ঐচ জয়দেবসু শরুক য়াখি। চেম্পিয়নশিপ অদুদা পূন্না মণিপুরদগী শান্নরোয় ৪না ইন্দিয়াগী মহুৎ শিনখিবনি।

ইন্টরনেসনল ইভেন্টশিংদা নেপালগী কাথমান্দুদা কুমজা ২০১৯গী জুলাই ১৮দগী ২১ ফাওবা পাঙথোকখিবা ১২শুবা মিষ্টর সাউথ এসিয়াদা শরুক য়ারুবদা কিলোগ্রাম ৮৫গী কেটেগোরিদা অহানবা পোজিসন ফংলকখ্রবা লাইতোঞ্জম রিশিকান্ত অমসুং কিলোগ্রাম ৫৫গী কেটেগোরিদা ৪শুবা পোজিসন তাখিবা এল নেতাসু য়াওখি। চহী অদুমক্কী সেপ্টেম্বর ২৭তগীনা ওক্টোবর ৩ ফাওবা ইন্দোনেসিয়াগী বাটম সিটিদা পাঙথোকপা ৫৩রকশুবা মিষ্টর এসিয়া কম্পিটিসনদা জুনিয়রগী কিলোগ্রাম ৭৫দা ৩শুবা পোজিসন তারকখিবা রিশিকান্তা চান্দম লোয়ননা জেসু আইলেন্দদা ২০১৯গী নবেম্বর ৫দগী ১১ ফাওবা ১১রকশুবা মিষ্টর ৱর্ল্ড কম্পিটিসনদা নুপাগী সেন্টিমিটর ১৭৫ ৱাংবা সেমী কেটগোরিদা ৪শুবা পোজিসন তারকখিবা অরাম্বম মঙাল লোয়ননা কিলোগ্রাম ৫৫গীদা ৫শুবা পোজিসন তাখিবা এল নেতাসু য়াওখি।

ꯑꯦꯜ.ꯖꯤ. ꯃꯣꯇꯔꯁ

EMPLOYMENT NEWS

- IMPHAL BRANCH :- Security/Gunman-2, Office Asst. (Graduate)-2, Driver
- SAMUROU BRANCH :- Office Asst. (Graduate), Car wash Helper-2, Driver
- MOIRANG BRANCH :- Office Asst.-2, Grade IV-2
- THOUBAL BRANCH :- Office Asst.-1, Grade IV-1
- NAMBOL BRANCH :- Office Asst.-2, Grade IV-2
- SEKMAI BRANCH :- Office Asst.-2, Grade IV-2

N.B. : Branch খূদিংমক্কী য়াম্না নক্লনা লৈবা মীওইশিংদা খূদোংচাবা পীজগনি।

Pl. Contact : L.G. MOTORS
KHAGEMPALLI HUIDROM LEIKAI, IMPHAL-WEST MANIPUR
CONTACT No. :- 9774495994

HL-B/7200/5/10-30/11 (alt)

# HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



## PUZZLE NO. 269

**Seidel, Mika (1975) - Doberitz, Paul (2132)**
**DSOL 1. Liga Gruppe D play.chessbase.com, 2021.01.25**

1.c4 Nf6 2.Nf3 g6 3.g3 Bg7 4.Bg2 O-O
5.O-O c5 6.d4 cxd4 7.Nxd4 Nc6 8.Nc3 Nxd4
9.Qxd4 d6 10.Qd2 a5 11.b3 a4 12.Rb1 axb3
13.axb3 Bf5 14.e4 Be6 15.Bb2 Nd7 16.Kh1 Nc5
17.Qc2 Qb6 18.Nb5 Ra2 19.Nc3 Raa8 20.Nb5 Bxb2
21.Rxb2 Rfc8 22.Nd4 Na4 23.Nxe6 Nxb2 24.Nf4 Qd4
25.Ne2 Qf6 26.e5 Qxe5 27.Bxb7 d5 28.Bxa8 Rxa8
29.Nc3 d4 30.Nd5 d3 31.Qd2 Qe2 32.Qxe2 dxe2
33.Re1...

**QUESTION :**

**Black to Win**

**Puzzle 268 Ans. :**

32. ...Nf6 33. Nf8+ Double check The white queen attacks Black's king, which is defending square g6. The white knight attacks Black's king, which is defending square g6. Kh8 34. Qh7+ Nxh7 35.Ng6# Dragonfly mate
33. Nf8+ Kh8 34.Qh7+ Nxh7 35.Ng6#
1-0

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Executive Editor: Maisnam Karnajit, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com